# কুমজা ২০১৮দা চাইনাদা পাঙথোকখিবা মঙাশুবা এসিয়ন দ্রেগোন বোট চেম্পিয়নশিপ্তা ঐহাক ব্রোঞ্জ মেদল অমা লৌবা ঙম্লকখি



ক্ষেত্রিময়ূম রানাপ্রতাপ
ইন্টর্নেসনল রোয়িং শান্নরোয়

(হান্নগী মখা...)

কুমজা ২০১৮গী জুলাই ৪দগী ৮ ফাওবা চাইনাগী টায়ন ব্রিজ দালিদা পাঙথোকখিবা ৫শুবা এসিয়ন দ্রেগোন বোট চেম্পিয়নশিপ অদুদা ইন্দিয়াগী মেম্বর ৩৯না শাবা টিম অমা চৎখি। মরু ওইনা মদুদা য়াওখিবসি এথলেট ৩৩, নুপা অমদি নুপীগী কোচ অমমম, টিম লিদর অনী, মেনেজর অনীনি। হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অদুগী মিটর ৫০০গী দ্রেগোন বোট টুয়েল্ভ মিক্সতা ইন্দিয়াগী টিম্না ব্রোঞ্জ মেদল অমদি পুরকপা ঙমখি।

ৱাটর স্পোর্টস অসি ইন্দিয়াগী ওইনসু খরা ফগৎলকপদগী হৌজিক্তি মালেমগী মমিং লৈবা কোচশিং কৌদুনা ত্রেনিং পীবগী থবকসু চথরে। ফোরেন কোচনা ত্রেনিং পীবা হৌরকপদগী হান্না লৈরমদবা নোলেজ কয়াসু লৈবা ঙম্লক্লে। টেক্নিক মচা মচা ফজনা শীজিন্নরগা নুংঙাইনা হোনবা ঙম্লকপদগী হৌজিক্তি ৱর্ল্ড কপ্তা, এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ্তা সনাগী মেদল লৌবা ঙম্নবা অদোমদসু মীৎয়েং থম্বা হৌরকখ্রে।

ঐহাকসু কুমজা ২০১৮দা ভোপালগী নেসনল কেম্পতা হঙ্গেরিগী কোচনা পীবা ত্রেনিং অমদা য়াওজবা ফংজরকখি। ফোরেন কোচনা পীবিবা ত্রেনিং কেম্পতু য়াওজরুবদগী তোঙানবা ইন্দিয়াগী মমিং লৈবা শান্নরোয়শিং হায়জরগদি, মাঞ্জিৎ সিংহ, বিজেন্দর সিংহ, অনকিট চৌহান, যুবরাজ গোয়ম, সিদান্ত, পর্মিন্দর সিংহ, অবয় সিংহ, দিলিপ সিংহ নেগী, নবিন, সুরজ সিংহ নেগি, মানিশ জখৱাল, হরি ওম কুমি, সচিন কুমার, অরটি নাথ, জয়োটি, পুজা, ওইনাম য়াইফবী, রাজেশ্বরী, প্রজেজোট কোর, মনিশা রানি, সঞ্জনা নিতু বর্মা, য়ুম্নাম শ্যামশখি, মোনু, রিতু, মঞ্জু, পুজা সঞ্জয় ফাদোল, মনিশা মালি হিরালাল, মৈতৈ মচাগী নুপাদা নিশান্ত, মোইরাংদগী ঙানবা, ঐহাক ইশামক অসিনচিংবনি।

ঈশিংগী মশান্নবু ওইরো, কংফালগী মশান্নবু ওইরো, গেম

**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
**রোয়িংদা মীৎয়েং অমা**

থৌনা অমা ইশাদা লাকখি। অচৌ-অচৌবা মালেমগী মমিং লৈবা চেম্পিয়নশিপতা ঐখোয়সু মেদল লৌবা ঙমগনি হায়বসি ইশাদা থাজবসু লৈজে।

ৱাটর স্পোর্টসকী ওইনা হৌজিক খুদিংমকসিদি কাঙলোন চুম্না নিংথিনা এক্সপরিয়েন্স লৈবা কোচনা ফজনা তাকপীরবদি শান্নরোয় অমা থুনা ফাওহনবসি য়াম্না লায়বা ৱাফমনি। ইশাদা টেলেন্ট ফনা য়াওদুনা পোকচরক্লগসু, ঐখোয়



ঐখোয়না শান্নগদৌরিবা মশান্না অদুদা ফজনা গাইদ তৌবীদ্রগদি পন্থুং য়ৌবা পাক ঙম্লোই।

ঙসি মণিপুরদা ঈশিংগী ওইবা মশান্না শিথখিবসি মতমগী হোংলক্লিবা য়াওলসিগা চাশিন্ননা চৎমিন্নবা ঙমহৌদবগীনি। রোয়িংগী, কেনো-কয়াকিংগী অফবা প্লেয়র হৌজিক্তি মণিপুরদগী থোরকপা ঙমদ্রে। খরা থোরক্লিবা অদুসু, নেসনলদা মেদল ফংবা ৱানা থোক্লে। খূৎশু-খূৎলায়দা, টেক্নিক্তা, অহোংবা অসিসু তোইনা লাকপনিনা মণিপুরদা ত্রেনিং তৌরগা, মপান্দা কম্পিটিসন য়াওরুবসি মায় পাকপা কয়া ঙমদ্রে। মণিপুরদা ৱাটর স্পোর্টস শিথখিবসিমদি য়াম্না নুংঙাইতে। ঈশিংগী মশান্না অসিদা মতম অমদা মৈতৈ মচাশিংনা ফজনা দোমিনেট তৌদুনা শান্নরম্বা ইভেন্টশিংদা ঙসিদি মণিপুর মচা অমত্তা মেদল লৌবগী পাউ তাবা ফংলক্ত্রে। অফবা শান্নরোয় পুথোকপা হায়বসি অমরোমদবুদি টেলেন্ট লৈবা শান্নরোয় লৈবগা লোয়ননা মতিক চাবা কোচসু লৈতবদি য়ারোই। মণিপুরদা ৱাটর স্পোর্টস খঙশি শিথখিবসিগী মতাংদা কনানসু থওইনা থিজিনবীখিদ্রে। থৱায় য়াওবা মীসু কয়া লৈত্রবা মাল্লি। ঐখোয়না শান্নজবা হৌজরকপা মতমদদি, এসোসিএসনসু ফজনা মথৌ তৌরম্বনি। শান্নরোয় শেমগৎপা হায়বসিদদি অরিংবা এসোসিএসন লৈবসু য়াম্না মথৌ তাই। এসোসিএসন ফজনা চল্লায়বা ঙম্বা মীসু থোরকপা চঙই। -মথং-মথং



# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১১২

১) মহাক কুমজা ১৯৮৪ ফাওবা ওলিম্পিক্তা শরুক য়াখি। মসিনা মহাক্কী তরুক্লকশুবা ওইনা শরুক য়াখিবা ওলিম্পিকনি। মহাক্না কুমজা ১৯৮৪গী ওলিম্পিক্তা শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা ১৯শুবা তাখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

২) অনীশুবা লাঞ্জাওদা ঐহাক চহী ১০ শুরে। লাঞ্জাও অদুদা ঐহাক্কী অপোকপা-অপোকপী অনীমক লৈখিদ্রে। মখোয়না লৈখিদবগী মরমদি চাবা ফংদবা অমদি ঈশিং-নুংশিৎ য়াম্না ঈংবননি। লাঞ্জাও লোইরবা চহী ১০গী মতুংদা ঐহাক্না ওলিম্পিক্তা শরুক য়াবদা এথলেটিক্সতা সনাগী মেদল ফংখি। ঐহাক কনানো?

৩) মহাক্না দিস্কস লংবা তম্বদা "The Blue Danube" হায়বা ঈশৈ অদু তাহল্লগা ঈশৈ অদুগী তানগা লোয়ননা দিস্কস লংবগী হকচাং অদু সর্কল মনুংদা রোটেট তৌবা হায়বদি হকচাং লৈবা তন্বীখি। মহাক দিস্কস চেম্পিয়ননি। মহাক কনানো?

৪) ২০২০ টোকিও ওলিম্পিক্কী মতাংদা মখাগী ৱাহৈশিং অসি কনানা হায়খিবগে? "I hope to lead the olympics to success with all of you."

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ২শুবা ষ্টেট লেভেল ওপন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস): কোনুমা মখা য়ুথ দিভলপমেন্ট ক্লবনা শীন্দুনা কোনুমা পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা ষ্টেট লেভেল ইন্টর ভিলেজ ওপন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেচতা এস ৱা দি সীনা বি এস এবু সেট ৩-২ ৩-২ (২৩-২৫, ২৫-১৬, ১৮-২৫, ২৫-১৮, ১৬-১৪)দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

ঙসি অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা এম আই কে ঐচ ৱাই এনা এস ৱাই দি সীবু সেট ৩-২ (১৯-২৫, ২৩-২৫, ২৫-১৯, ২৫-১৭, ১৬-১৪)দা মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখিবনি। অদুগা অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা এল সী এলনা ৱাই পি এবু সেট ৩-১ (২৫-২২, ২৫-১৬, ২১-২৫, ৩২-৩০)দা থোইদুনা সেমি ফাইনেলদা এম আই কে ঐচ ৱাই এগা হয়েং লম্বা তৌনরগনি।

# রাহুলগী সেঞ্চুরি কান্নবা লৈখিদ্রে ন্যু জিলেন্দনা ইন্দিয়াবু অহুমশুবা ৱান দে মেচ ৱিকেট ৫দা মায়থীবা পীখ্রে

মাউন্ট মোনগানু, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস): ইন্দিয়াগী বেটচমেন লোকেস রাহুলগী সেঞ্চুরি কান্নবা ফংখিদ্রে। ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিম ন্যু জিলেন্দনা ৩শুবা ৱান দে মেচ ৱিকেট ৫দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি ন্যু জিলেন্দগী মাউন্ট মোনগানুদা লৈবা ক্রিকেট ষ্টেডিয়মদা শান্নখিবা ইন্দিয়া অমসুং য়ুম্ন লৈবাক অদুগী অহুমশুবা অমদি অরোইবা ৱান দে মেচ অদুদা ন্যু জিলেন্দনা ৱিকেট ৫দা থোইদুনা মেচ ৩গী সেরিজ অদু মেচ ৩-০দা থোইদুনা সেরিজ অদু হ্বাইটৱাস তৌখ্রে।

হন্দক্কী ৱান দে সেরিজ অদুদা মেচ অহুম্মক মায়থীবা নংদুনা মেচ অমত্তা মায়পাকপা ঙমদনা সেরিজ মায়থীবা অসি ইন্দিয়াগী ওইনা চহী ৩০গী মনুংদা অহানবনি। কুমজা ১৯৮৯দা ইন্দিয়াবু ৱেষ্ট ইন্দিজনা মেচ ৫-০দা সেরিজ থোইখিবা অদুগী মতুং হন্দক্কী অসিনা অহানবনি।

ঙসিগী মেচ অদুগী টোস ন্যু জিলেন্দনা ঙমদুনা ইন্দিয়াবু হান্না বেট্টিং তৌহনখি। মদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ৱিকেট ৭ আউট ওইরগা রন ২৯৬ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস হৌরকপদা ফিভম শোকখি। ওপনর ময়াঙ্ক অগ্রৱাল রন ১দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎশিনখিবা কেপ্তেন ভিরাট কোলিসু রন ৯দা আউট ওইদুনা স্কোর বোর্দতা রন ৩২খক লৈরকপা মতমদা বেটচমেন অনী আউট ওইখি।

শ্রিয়াস আয়র অমসুং ওপনর পৃথিবী সোনা অপুনবা স্কোর অদু ৬২ ফাওবা য়ৌহনখি। পৃথিবী সো মশাগী রন ৪০ শুরকপদা আউট ওইখি। মখাগা শ্রিয়াস আয়র অমসুং লোকেস রাহুলনা ইন্নিংস শেমগৎতুনা রন ১০০গী পার্টনর্শিপ অমা শান্নদুনা ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর অদু রন ১৬২ য়ৌহনখি।

আয়র রন ৬২দা আউট ওইখি। কে এল রাহুলনা মনিস পান্দেগা মখা তানা ইন্নিংস অদুদা রন ১০৭ হাপচিন্দুনা অপুনবা স্কোর ২৬৯ শুহল্লকখি। রাহুল বোল ১১৩দা রন ১১২ লৌরম্লগা আউট ওইখি। লোয়ননা মনিস পান্দে থংনবা বোল রন ৪২দা আউট ওইখিবদগী মখা তাবা রন য়াম্না হাপচিনবা ঙমদনা রন ২৯৬তা ইন্নিংস লোইশিনখি।

ন্যু জিলেন্দগী মায়কৈদগী রন ২৯৭কী টার্গেট য়ৌনবা হোৎনরকপদা ওপনর মর্তিনগী রন ৬৬ অমসুং হেনরি নিকোলসকী রন ৮০না অচৌবা পার্টনর্সিপ অমা থমখি। লোয়ননা ৭শুবা বেটচমেন কোলিন গ্রান্দহোমগী বোল ২৮দা রন ৫৮ লৌখিবা অদুনা অচৌবা মতেং ওইরগা ৱিকেট ৫দা ইন্দিয়াবু মখোয়না বোল ১৭ ৱাৎলিঙৈদা মায়থীবা পীখি।



অহানবা হৈস্নাম নিলকমল (মোবি) মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০

# ওল এফ সী অমসুং আই পি এম এস সী ফাইনেলদা থেংনরগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১(ঐচএনএস): দি এস ইন্টরপ্রাইসিসনা স্পোন্সর তৌদুনা য়ুথ ইন্টিগ্রেসন ক্লব লৈশাংখোঙ মনিং লোংজ লৈকাইনা শীন্দুনা য়ু আই সী শান্নবুঙদা চথরিবা 'অহানবা হৈস্নাম নিলকমল (মোবি) মেমোরিএল অন্দর ৪০ কে জি ৪-এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০'গী ঙসি শান্নখিবা সেমিফাইনেল মেচতা ওল এফ সীনা ৱাই আই সীবু পাঞ্জল ৫-১দা অদুগা আই পি এম এস সীনা থোইবা এফ সীবু পাঞ্জল ৭-০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দদা ৱাই আই সী অমসুং ওল এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচ অসি ওল এফ সীনা ৱাই আই সীবু পাঞ্জল ৫-১দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখি। ওল এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অদু তুমজাও জর্সি নম্বর ৫না পাঞ্জল ২, রোহেন জর্সি নম্বর ৯না পাঞ্জল অনী, নৌলুন জর্সি নম্বর ৮না পাঞ্জল অমা চনখি।

অমরোমদা ৱাই আই সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনখিবশিং অদুদি মার্তিন জর্সি নম্বর ১০না অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চনখি। মেচ অসিগী প্লেয়র ওফ দি মেচনা ওল এফ সীগী শান্নরোয় নৌলুন জর্সি নম্বর ৮না তাখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা থোইবা এফ সী অমসুং আই পি এম এস সী লম্বা তৌনখি। মেচ অসি আই এম পি এস সীনা থোইবা এফ সীবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৭-০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

আই পি এম এস সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনখিবশিং অদুদি রঞ্জন জর্সি নম্বর ৭না পাঞ্জল অহুম চনখি। অয়াংবা জর্সি নম্বর ১২না পাঞ্জল অনী, ঙো ঙো জর্সি নম্বর ১০নাল পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখি।

মেচ অসিগী প্লেয়র ওফ দি মেচনা আই পি এম এস সীগী শান্নরোয় অয়াঙব জর্সি নম্বর ১২ চনবা ঙমখি।



# এসিয়ন বেদমিন্টনদা কিদম্বী স্রিকান্তনা লুচিংবা ইন্দিয়াগী টিমনা কজাকস্থানবু অহানবা গ্রুপ মেচতা চাওনা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে

মনিলা, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস): ফিলিপিন্সকী কোনুং মনিলাদা ঙসিদগী হৌখিবা এসিয়ন টিম বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপকী গ্রুপ 'এ'গী অহৌবা মেচতা কিদম্বী স্রিকান্তনা লুচিংবা ইন্দিয়াগী টিমনা কজাকস্থানবু মেচ ৪-১দা চাওনা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবগী লম্বেল শেন্বা হৌখ্রে।

মমাঙদা ৱর্ল্ড নম্বর ১ ওইরম্বা স্রিকান্ত, নৌনা সিনিয়র থাক্তা শরুক য়ারকপা লক্ষ্য সেন অমসুং সুভানকর দেনা মখোয় মখোয়গী সিঙ্গলস মেচশিং অদু কোম্না মায় পাকপা ঙমখি। অদুগা দবলসকী মায়কৈদা সাই প্রনিথ অমসুং চিরাক সেথি মায়থীখ্রবসু অতোপ্পা পেয়র এম আর অর্জুন অমসুং ধ্রুবা কপিলানা মায় পাক্তুনা টাই অদু মেচ ৪-১দা থোইখি।

স্রিকান্তনা কজাকস্থানগী দিমিত্রি পনারিনবু ২১-১০, ২১-৭দা থোইখি। লক্ষ্য সেননা অর্টর নিজ ইয়োপপু ২১-১৩, ২১-৮তা থোইরবা মতুং সুভানকর দেনা খাইমুরত কুলমাতোপপু ২১-১১, ২১-৫তা থোইখি।

দবলসকী কাংলুপ্তা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট সাই প্রনিথনা চিরাগ সেথিগা পেয়র ওইদুনা শান্নরকপদা কজাকস্থানগী নিয়াজোব অমসুং পনারিনগী মখুৎতা ২১-১৮, ১৬-২১, ১৯-২১দা মায়থীবা নংখি। অদুবু অর্জুন অমসুং কপিলাগী পেয়রনা নিকিতা ব্রাগিন অমদি কুলমাতোপপু ২১-১৪, ২১-৮তা থোইরমখি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা মথংগী শগোলশেন নুমিৎতা মলেসিয়াগা লম্বা তৌনগনি। নুপীগী টিমদি কোরোনাভাইরস কীবিদগী য়াওখিদে।



# ইন্দিয়াগী সুমিত নগাল, সকেট মাইনিনি অমসুং এন কে পুনাচা অনীশুবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা ৩শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে

বেঙ্গালুরু, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস): ঙরাংদগী হৌখিবা য়ু এস দোল্লর ১৫০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা এ টি পি চেলেঞ্জর টুর অমা ওইরিবা বেঙ্গালুরু ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেচশিং মায় পাক্তুনা ইন্দিয়াগী সুমিত নগাল, সকেট মাইনিনি অমসুং এন কে পুনাচা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

বেঙ্গালুরুগী কর্নাটাকা ষ্টেট লোনটেন্নিস এসোসিএসনগী সেন্টরদা ঙরাংদগী হৌরগা থা অসিগী ১৬ ফাওবা শান্নগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা ইন্দিয়াগী সুমিত নগালনা টুনিসিয়াগী এম জাজিরিবু ষ্ট্রেট সেট ২দা ৬-০, ৬-৪দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা য়ুক্রেনগী শান্নরোয় ভি ওর্লোবপু ৭-৫, ৬-৩দা থোইরম্বা টুর্নামেন্ট অসিগী ১১শুবা সিদেদ স্লোভেনিয়াগী বি রোলাগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা সিদিং ফংদনা শরুক য়ারকখিবা ইন্দিয়াগী সকেট মাইনিনিনা ৬শুবা সিদেদ রসিয়াগী ই দোনস্কোইবু ষ্ট্রেট সেট ২দা ৬-৩, ৬-৩দা থোইদুনা ৩শুবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী এল লোকোলিবু ৬-৩, ২-৬, ৬-১দা থোইরম্বা টুর্নামেন্ট অসিগী ৯শুবা সিদেদ ইটালিগী টি ফাবিয়ানোগা লম্বা তৌনরগনি।

ৱাইল্ড কার্দ ওইনা শান্নবা য়াওরকখিবা ইন্দিয়াগী এন কে পুনাচানা ২শুবা রাউন্দদা ১৬শুবা সিদেদ জেক রিপব্লিক্কী এল রোসোলবু ৬-৪, ২-৬, ৬-৩দা থোইদুনা ৩শুবা রাউন্দদা ৩শুবা সিদেদ জপানগী ৱাই সুগিতাগা লম্বা তৌনরগনি। পনবা য়াই, টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙ চহীগী টাইটল অদু ইন্দিয়াগী প্রজনিস গুনেশ্বরননা লৌখিবনি। মহাক হয়েং অনীশুবা রাউন্দদা জর্মনিগী এস ফানসেলোগা শান্নগদৌরি।

টুর্নামেন্ট অসিগী দবলস কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী পি রাজা অমসুং আর রামনাথননা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী পেয়র এস দি প্রজৱল দেব অমদি অদিল কলিয়ানপুরবু ৬-২, ৬-২দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী পেয়র এস বালাজি অমসুং জে নেদুনসেজিয়ানবু ৬-৭ (১-৭), ৭-৫, ১০-৮তা থোইরম্বা তুনিসিয়াগী ফেরৈরা সিলভা অমসুং সর্ভিয়াগী এন মিলোজেবিসকা লম্বা তৌনরগনি।



